# প্রীহিষ্টোরিক ম্যুজিক লাইরেম্বা-লাইরেম্বী




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

পুং, ঈশৈ অমদি জগোয় হায়না মীংথোনবা অহুম অসিবু করম্বা মতমদা শেম্বীবা মপূনা শেম্বীখিবগে হায়বসি হৌজিক ফাওবদি খঙবা ঙম্মদ্রি।

মতমগী য়াওল্ মতুং ইন্না থিজিনবদি মীকুপ নাইদনা মালেমগী লৈবাকশিংদা অফবা-অফবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা লেপ্পা লৈত্তনা থিজিল্লি।

পুং, ঈশৈ, জগোয় শেম্বীরীবা মপূনা অচৎ চত্তা, লেংলি-পাল্লিবা পুম্ন মকপু করম্বা মতমদগী নুঙাইহনবীরকখি অমদি ৱাহনবীরকখি অসিনচিংবা অসি কনানসু খঙবা ঙমদে। লৈশেম্বা মপূনা মালেমদা মীওইবা, শা-ষণ, উচেক -ৱায়ানচিংবদা শেম্বীবা মপূনা পুং, ঈশৈ, জগোয়গী মহে লোয়না হাপ্লক্লবনি। মীওইবা ফুরুপকী পু,ং ঈশৈ, জগোয় নুঙাইবা অমসুং অৱাবা মতমদা হরাউরমগনি অমদি তেংথারমগনি। চাউর-চাউরবা উমংশিংদা লৈরিবা মশীং থিঙমদরবা শাজাও কৈ হায়বা অকিবা ফংলবা অদুনা নুংশিবদগী নুংশিখ্রবী শজি কৌবী য়েংবদা ফজবগী ঙমখৈ লৈত্রবীবু তান্নরগা হাত্তোক্কুনা চাথোকপি। শজি শিজখ্রবসু কৈনা তান্নরকপদা চেনবগী ফজবা অদুদি মালেমদা লৈরিবা Art form অমত্তনা মতৌ তম্বা ঙম্মোই। ৱাহোং কৌবা চেকলাগী জগোয়দা মালেমদা ঙাওদবা কনা য়াওবগে???

লৈশেম্বগী খূৎশেম্নি ৱাহোং কৌবা য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা চেক্লোসিগী নীংথিজবা অদুবু ঙক্লিবদি ৱাহোং কৌবা চেক্লাগী নিংথিরবা জগোয় কানানা তম্বীরমগনি?

Wikipedia, the free enclyclopedia :

Prehistoric Music কী পুৱারীদা prehistoric music হায়বসিদি music কী culture দা লাইরিক হৈত্রিঙৈগী মতমদুগী musician শিংনা পুথোক্লম্বনি হায়না ইরি। তৌগুম্বসুং হৌজিকসু সহরদগী য়াম্না লাপ্পা মফমশিংদা Folk, Traditional, indigenous etc music হিংলি। Archaeology হায়রিবা subject অসিগা লোইননা চৎমিন্নরগা prehistoric music হায়বসিদি ফংগদবনি। হীরম অসিগী য়াম্না মরুওইবা অমনা paleolithic archaeology গী মফমশিংগী ৱাখল মতুংইন্না prehistoric people শিংনা মালেমগী অকন অকনবা rock নচিংবা লৈবা মফমশিংদগী prehistoric music instruments য়াওবা পোৎলমশিং থিবসিনি। Prehistoric Music কী মরুওইবা থবকশিংসি prehistoric মতমদগীনা মরুওইনা Ancient before 500 A.D. ফাওবদা মালেমগী অরিবা Instrument ফংগদবা মফমশিংদা ফরবা-ফরবা খূৎলায়শিংগী মতেংনা Hard Rock, শুরুং, মালেমগী অকন অকনবা মফমশিংদা তৌখাইদুনা লৈবা লিরবা Instrument শিং থিবগী থবক চৎথখি। হায়রিবা ফংলক্লিবা Instrument শিং অদুদগী ঙসিগী য়াম্না চাউখৎলে হায়না লৌনরিবা Every kinds of Music অসিগী হৌরকফম্নি। অহানবদা য়াম্না crude form দা লৈরম্বদগী অসুম-অসুম development লাক্কুনা ফনা য়াম্না চাওখৎলক্লে। মরম অসিনা prehistoric music from Wikipedia, the free encyclopedia, others prehistoric music কী মতাংদনা অমা ই অদুগা Chinease prehistoric music কী মতাংদনা অমা ই।

মতমগী মতুংইন্না music কী era সু শেল্লে।


The Divje Babe Flute, a bone flute which is over 41,000 years old.

1. Prehistoric
2. Ancient before 500 A.D.
3. Early 500-1700.
4. Common practice c. 1600-1900.
5. Modern contemporary c. 1900 present.

Every musical instrument শাবসি/থিবসি অহৌবদা শুরুংনচিংবদা শরুনা শাবা করি-করি লৈবগে হায়না থিজিন্নৈ। মথংগী step তা মালেমদা মশীং থিঙমদরবা তোঙান-তোঙানবা অমদি খরা-খরা মান্নবা ফুরুপ থিঙমদবা মখৈ অরিবা মতমদসু মৈত্রবাক্তা Record তৌবগী অমদি ইশিনবগী মমাঙদা শাবী-শানৌশিং লৈরমফম থোকই। মতমদুদা মখোয়োনা নুংশি পনথুং য়ৌনবগী লম্বীদা শকখিবা ঈশৈশিং; শকপা হেক লোইবগা কাউরমগনি অমসুং Record সু লৈরোই, অইবসু লৈরোই। মসিবুসু prehistoric music কৌবদা লানফম শুকথোক থোক্তে মতমদুদা শাবী-শানৌশিংনা শক্লমগদবা নুংশি নুঙোলগী ঈশৈশিংদি : হা লৈরাং থম্বালদগীসু নীংথিজবী কুমগী খোয়মু খোয়রাবনসু মীকুপ খুদিং শেন্নজবদা নিকচদবা ঙমজদেনে মাঞ্জগী থম্মোয়, করম্বা মীকুপ্তা খোয়রাবা খোইমুগী থম্মোয় পেনগদরা লাংক্তক্লজরিএ।

হো লৌনম্ চাওবা খোয়রাবা
নশক্ য়েংলে মুশিন্ মু...
খোঞ্জেল তারে নাকোং-ফুন্
পামজরুবনদি খাঙমদবী ঐহাক্লনদি
করি নীংবা থুংহঞ্জবা ঙমজগনি
হায়জবদা থাজবীরোইকো খোইরাবা?
হাইবেন্মা মালেমগী ফজবীশিংতবু ঙাওজরিবশিংগী মীৎফমদদি, হাদ খোইমু খোইরাবা ঐসে মখোয়গী চাকচফমগা ওইরমদনা লৈরাং ৱাখল চোয়জাইনখিনি কো ও... ও...!!!

পামজরুবনদি ঙাওচৎ চৎ নুংশিরুবননি থম্মোয় কাই; শাবী-শানৌ থুংনবা মপূ মঙোন্দা নিজরসিকো।

মৈত্রবাক্কী ঈশৈ, ময়েকসু খুদক্তা ইবা, tune সু থম্মোয়/ৱাখলদগী ওইবশিংগী অমদি ওইবিশিংগী নুংশি নুঙোলগী ঈশৈ অসিসু ইশিনবা ময়েক লৈতে অমসুং record সু লৈতে।

মরম অসি লৈবনা, মৈত্রবাক্কী ঈশৈ অসি Prehistoric Music নি হায়বদা, Prehistoric Music কী authority ওইরিবা মীশিংনা লাল্লি হায়নবগী মরম পিরকওইদরা হায়বসি থাজবনি, অরোমদা prehistoric music মৈত্রবাক্তা হিংলি হায়না লৌবা য়াগদৌরিবনি।

Conclusion : Prehistoric music ঙসিগী মীরোলশিংনা থিজিল্লকপদগী লাইরিক লাইসু হৈত্তবা ফুরুপশিংনা মখল-মখলগী খোঞ্জেল পুথোক্কুনা হিংননবগী পান্বৈসু শীজিন্নরমগনি অদুগা অৱা-নুঙাইশিংসু ওইনা পোক্লুরবনিনা তাইবঙ চেংজেল লোইদ্রিফাওবদি লৈখিবা তাবনি। Prehistoric Music কী মরমদা মীশিং য়াম্লবশিংনা হনবা লৈতনা হীরম অসিদা মখা তানা চৎথবীববু মালেমগী মীয়াম্না পুক্নিং থৌগৎফম থোকই।

অনিশুবদা মতম অদুদা record তৌশিনবগী খুৎলায় অমত্তা লৈতে। মরম অসি লৈবনা Prehistoric music কী মরমদা অয়াম্বা কাউনরমগনি। মতম অদুগী মীওইবনা য়াম্না পাম্বা instrument শাবদা শীজিন্নবা পোৎশক হায়রগদি শাগী শরুনি। মসি মতম অদুদা খোঙবা য়ানবা হুৎপদা খুদোং য়াম্না চারমগনি। মতম অদুদা ফংবা কোক-কোক য়ৈবা য়াবা শাজাউশিংগী মচিশিং, শরুনচিংবশিংনা ওইগনি।

Prehistoric music হায়বা হিরমসি খ্বাইদগী চাউবা হররম্নি মতম অসিদগী মতম অসিফাওবসি prehistoric music কী মতমনি হায়বগুম্বা অমা পীরম্লগদি অৱাবা অসি লৈরমলোই।

অঙনবা মতমবু ওইরবসু অথেংবা মতমবু ওইরবসু খুদিংমক্লা হেন্না পাম্নরিবদি ঈশৈ তাবা, পুং য়ৈবা অমসুং জগোয় য়েংবনি। Prehistoric music কী মতমদদি শা হাৎপগী মী শিবগী হরাউ-নুঙাই ফোংদোকপগী পুম্নমক practical ওইনা লৈফম থোকই অদুবু য়াম্না কুইখ্রবা মতমগী মমাঙদা থোকখিবা ওইবনিনা উবা, তাবা অমসুং য়েংজবা ফংজদবনি।

"THE EVOLUTION OF MUSIC"

হীরম অসিগী মতাংদা মতেং লৌজখিবা অমদি হোৎনজখিবশিং ঃ

1. Prehistoric music
   From Wikipedia, the free encyclopedia.
2. ইশানা তানশিনজরকপা মহৈ মশীনশিং।

# চৈরাওবগী নুংগী ওইবা ৱাফম

ইরেংবম ইবোবী সিংহ

***মণিপুরদা*** খুন্দারিবা মীতৈশিংগী চৈরাওবগী নুমিৎ অসি চহী খুদিংগী শজিবুগী নোংমা পানবা অমদি এপ্রিলগী তাং ১৩, ১৪ দা পাঙথোক্লদুনা লাকই। চহী কুমজা অমা হায়বসি রবি গ্রহ (নুমিৎনা) মেষ রাশিদগী হৌরগা রাশি ১২ দা কোয়না চৎলি। রাশি অমমমদা থা অমমম লৈ। রাশি ১২ দা থা ১২ চঙনা চৎলি। মসিদা কোয়বা চৎপগী মতম নুমিৎ মশীং অসি ৩৬৫ গা পুং ৬ মিনিট ৯ সেকেন্দ ৯.৮ চহী অমা ওই। মসিবু সোলর মন্থকী চহী অমনি। মতাং অসিদা পনবা য়ারিবদি নুমিৎনা রাশি ১২ দা মথং মথং লাকপসিনা অরোইবা মীন রাশি চৈত্র কৌবা থাদা থা অমা ফারক্লবা নুমিৎ মশীং ৩৬৫ ১/৪শুবা পুংফমদগী সৌর জগৎ তাইবঙ পানবগী চহী কুমজা অমা মপূং ফারে। মসিবু নিরায়ণ (সোলদিয়ার) কৌই। মথং পুংফমদগী মেষ রাশিদা নুমিৎনা চঙলকপা পুংফমদগী চহী হৌবা নুমিৎনি। মসিবু পৃথিবীনা নুমিৎকী অকোয়বদা রিভোলুসন তৌবদা চঙবা মতম অদুমক্লি হায়না লৌনরিবনি। মসিবু এপ্রিলগী তাং ১৩, ১৪ মণিপুরগী গৌর চৈরাওরিবা নুমিৎ অসি সোলর মন্থকী অনৌবা চহী হৌবগী পুংফমনি, চৈত্রগী মতম লোইদুনা বৈসাখকী নোংমা পানবদনি, মশীং থিবা হায়বসি অমদগী হৌরগা থিনবনি অদুনা গৌরগী চৈরাওবা অসি সোলরগী নোংমা পানবগী পুংফম চঙএ হায়দুনা লাউবনি।

শজিবুগী নোংমা পানবদা লাউরিবসি ঐখোয় মীতৈগীনি হায়না হায়নরি। মসিদা খন্থনীংঙাই ওইরিবদি নোংমা পানবগীসিদা মরুওইনা পাঙথোক্লরিবসি ভারতবর্ষগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা সংসারগী লৈশেম্বা মপূ ব্রহ্মানা জগৎ শেমখিবগী নুমিৎনি হায়না লৈরি অদুগা প্রভু রামচন্দ্রনা রাজ অভিষেক তৌখিবা নুমিৎনি। মথংদা যুদ্ধিষ্টিরনা কলিআহ্দা কলিগী চহী হৌদোকখিবা নুমিৎনি, মথংদা বিক্রম সম্বতনা কলিগী চহী হৌদোকখি অদুগা শজিবুগী নোংমা পানবা অসিবু ভারতবর্ষনা ঋতু রাজ হায়না অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি, লোয়ননা নুমিৎ অসি আয্য লিংখৎখিবা নুমিৎনি। অদুনা ঐখোয়না মীতৈগীনি হায়রিবা নুমিৎ অসি ইন্দিয়া পূম্বগী মৈহৌরোল লৈশেমলোনগী নুমিৎ অদুগা ইমান মান্নরে। মীতৈশিংনা শজিবুগী নোংমা পানবদা লাউরিবসি হিন্দুশিংগী লৈশেমলোনগী চহী হৌবা নুমিৎতুমক ওইরম্বসিদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ৱাহং কয়া অমা লাক্লরে, মসিবু ঐখোয়গী ওইরিব্রা?

অদুগা গৌরগী এপ্রিল তাং ১৩, ১৪ দা লাউরিবসিনা সোলর মন্থ (নুমিৎকী), খোঙচৎতা লাউবনি। মসিদা পাঙথোক্লিবা লৈবাকশিংদি থাইলেন্দগীনা (সঙক্রান), লাওস (সঙক্রান পিমাই লাও), ম্যান্মার (থিঙয়ান), কম্বোদিয়া (চোল চনম থামে), কেরলা, পঞ্জাব, হরিয়ানা, বেঙ্গোল (অনৌবা চহী হৌবা পোহলা বৈসাখ), অসাম (অনৌবা চহী হৌবা বোহাক বিহু), হিন্দু সিখ (বৈসাখী), টামিল নাদু (পুথান্দা), ওরিষা (পনা সঙ্ক্রান্তি), শ্রী লঙ্কা (অলুঠ অবেরেদু), কর্ণাটাকা (বিষুব) অসিনচিংবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকই অদুগা মরুওইনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংদা এপ্রিল তাং ১৩, ১৪ দা পাঙথোক্লরিবা অসিসু ময়াংগী মতৌ তম্বা হায়না লৌগদ্রা? অদুগা মসি চড়ক পুজা ওইবা তারিব্রা অদুগা মণিপুরদা চৈরাওবা অসি চড়ক পুজা নত্তে, কনাগুম্বনা পাঙথোকপা তারবদি মদু পুথোকপীরকপা ফগনি। এপ্রিলগী তাং ১৩, ১৪ দা লাউরিবসি চহী লোইরে হায়না লাউবা খক্তা নত্তে, চহী অমগী অরোইবগা মদুগী হৌরকপগা তাইনফমদা লাউবগী চৎনবীদুনি অদুবু পুংফমদুমক্তি পাঙথোকপা ঙমদবনিনা ময়াম সধারনগী পাঙথোকপগুম্না পাঙথোকপনি।

মতাং অসিদা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওরিবসি গ্রিগোরিয়ান কেলেন্দরগী জান্যুৱারী তাং ১ দা চহী হৌবা অদুগী মওংগুম্না নোংমা পানবগী চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোকপনি। মসিদা করিসু অকায়বা লৈতে। অদুনা নোংমা পানবগীসিদা তৌরিবা অসিদা চৈরাওবগী মহুৎতা মীতৈ চহী হৌবা হায়বনা চুমগনি খঞ্জে। অদুনা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি ইনিংথৌ ক্যাম্বগী মতম কুমজা ১৪৮৪ অসিদগীদি নুপা মরিনা চৈ পায়দুনা লাউরম্বদু চৈ থাদোক্কুনা নুপা অমখক্তনা লৈবাক্কী অমদি নিংথৌগী থৌগাই থৌদা পুবা হৌরকখি হায়বনি। মসিনা থোরক্লিবা ৱাফমদি ঐখোয় মীতৈশিংনা ৱাহৈ পাবগী মতাংসি অনেম-ৱাং, অরুম-অয়াংদা শীজিন্নৈ। চৈ পায়দুনা লাউরম্বদগী চৈ থাদোকখ্রে হায়বসিদি ৱাহন্থোক লৈত্রে, ওন্নরে। মসিগী মহুত্তা চৈ থেক্লগা মশীং থাবা (মশীং পাবা) নুমিৎ থবান কুমশিং মশীং শুরে হায়দুনা চৈ-থাবা, চৈথাবা মসিনা হেন্না চুশিন্নৈ হায়না খঞ্জে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবা ৱাফমদি চৈ পায়রগা লাউবা হায়বসি মতম অদুদা পাউচে, টেলিভিজন, রেদিওনচিংবা লৈতবনিনা শগোল তোংদুনা খোক-ৱা চৈদা শরিক পুন্দুনা, লাউদুনা চৎলিবসি মতম অদুগী পাউ চেনবনি (এদভর্টাইজ) তৌবনি। মসি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অতোপ্পা পোৎশক অমনা মহুৎ শিনখিবনি। মসিদা নুপা ৪ না লৈবাক্কী পাউ পীবনি অদুগা চৈথাবা হায়দুনা লাকইবসিনা লৈবাক্কী নিংথৌগী চহী অমগী অৱা-অনা, থৌগায়-থৌদা পুরিবনি। তশেংনা হায়রবদা উশিন শিনবগুম্বনি অদুনা পানা লাকপা ৪ না চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না চৈ থাদোকখিবসিগা অতোপ্পা কনাগুম্বা নুপা অমনা লৈবাক্কী নিংথৌ অৱা অনা মহুৎ শিনবা চৈথাবা ওইরিবা অসিগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। অদুগা নোংমা পানবগী চৈরাওবসি কুমজা ১৯৯৮ মার্চ ২৮ শজিবু নোংমা পানবা নোংমাইজিংদা মীতৈ চহী হৌবা, কুমজা ১৯৯২ দসু মীতৈ চহী হৌবা, কুমজা ২০০০ এপ্রিল ৮, শজিবু নোংমা পানবা মীতৈ চহী হৌবা হায়না মণিপুর দাইরিদা য়াওদুনা ফোঙখ্রবনি। অমনা এপ্রিল ১৩, ১৪ দা লাউরিবা অসি গ্রিগোরিয়ান কেলেন্দর অমদি থবানগী নুমিৎকা মরী অমত্তা লৈনদে। কনাগুম্বনা গ্রিগোরিয়ান কেলেন্দরগী মতুংইন্না অমদি মতৌ তম্বগী ৱা ওইনা হায়বা ইরকপা য়াওই। মদুদি খঙদদুনা হায়বনি। মসিমক্তি রবি গ্রহগী মহৌশাগী লাইরেম্বী ঋতু খোঙচৎকী মতুংইন্না ওইরকপা নুমিৎনি। রবিগী অয়ানংশ খোঙচৎ অসি চাংচৎতা চহী অমদা ৫৪ (কলা) ওইবনা চাউরাক্লা চহী ৭০ মুক্কী মতুংদা অয়ানাংশ দিগ্রি অমা ওই। মরম অসিনা চহী ৭০ মুক্কী মতুংদা গৌর চৈরাওবসি গ্রিগোরিয়ান তারিখতা নোংমা চোন্থরক্কনি। খুদম অমনা মৈদিংঙু চন্দ্রকৃতি সনা হাক্তক্তা ১৪ নি ইরাইদা বিষুব সংক্রান্তি ওই। কুমজা ১৯১৫, ১৫ নি থাংজদা শজিবুগী পালোক ওইএ। অদুগা ফুট নোটতা ১৪ নি ইরাই তাং ১১/৪/১৮৭৩ ইং চৈত্র ৩০ চৈরাওবা হায়না য়াওরি। মতম অদুদা এপ্রিল ১১/১২ দা পাঙথোক্লমই। রবিগী খোঙচৎতা পাঙথোকপনিনা গ্রিগোরিয়ান তারিখ থবানগসু মরী অমত্তা লৈনদে হায়না মসানা তাকএ।

মণিপুরগী গৌর চৈরাওরিবা অসি মহাবিষুব সংক্রান্তি কৌই। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ফরিবনা জগৎকী মপু মহাদেবগী অফবা নুমিৎ মীপুম খুদিংমক্লা ঙাইনরিবা অফবা নুমিৎতুনি। নুমিৎ অসিদা চীংদা কাদুনা মহাকপু থৌনিজরবদি য়াইফবা ওই। লোয়ননা মহাক অসি পোকপা-শিবা নাইদবা জগৎ পূম্নমকপু মাঙহনবীবা অমুকসু পূম্ন মকপু শেম্বীবা লোয়ননা মঙ্গলগী মশক ওইবনি। অদুগা মহাক অসি দ্রাবিদ দ্রাবিদিয়ন, হিমালয়ন পিপল হায়বদি ত্রাইব মোঙ্গোলোইদশিংগী লিরবা লাইনি লোয়ননা চীংদা তোঙবা, চীংদা লৈবা চীংগী মপূনি হায়না মহাকপু মালেম পূম্বদা নীংনরি।

**ঐখোয়গী চৈরাওবা কয়াম কুইরবগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তং ঃ-**

মণিপুরগী অখণ্ড-অহৈ ওজাশিংনা লাইরিক্তা ইবিরকপদা হৈ চক হৈয়া চককী মতমদগী অদুগা নোংদা লাইরেন পাখঙবা হাক্তক্তগী লৈকায় লৈকায়গী পানা লাকপা মরিনা পানাগী ফি শেৎতুনা লৈকায় লৈরক-খুল্লক্তা খোক ৱা চৈদা শরিক পুল্লগা শরিক খিংদুনা লাউদুনা চৈথাবগী পাউ চৎলি হায়না থম্বীরি। অদুবু মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবা ৱাফমদি মণিপুরদা পানা লৈরকখিবসিদি ইনিংথৌ ক্যাম্বগী মতম কুমজা ১৪৮৪ দা অহল্লুপ পানা অমদি নহারুপ পানা হায়না অনীখক লৈরে। অদুগা কুমজা ১৭১৫ দা ইনিংথৌ গরিবনিৱাজ নিংথৌগী হাক্তক্তা খাবম পানা অমদি লাইফম পানা অনী হাপচিন্দুনা নিংথৌ অনীসিগী হাক্তক্তা পানা মরিখক লৈরে। অদুনা হায়রিবা নিংথৌ অনীসিগী মমাঙদদি নিংথৌ অমত্তগী হাক্তক্তা পানা লৈখিদবনা মমাঙদা হায়খ্রিবা নোংদা লাইরেন পাখঙবা অমদি হৈ চক হয়া চক হাক্তক্তগী লৈকায়গী পানা লাকপা মরিনা চৈথাবা লাউই হায়বসি চৎনবা য়াদবা ৱাফমনি হায়বসি মশানা তাকচরে। মরমদি মতমদুদা পানা লৈত্রি। নোংদা লাইরেন পাখঙবা হাক্তক্তগী লৈকায় লৈকায়দা শরিক পায়রগা লাউই, শরিক হায়বসি পিথ্রাই অমসুং শেঞ্জেংনা শাদ্রবদি য়ারোই। মসিমক্তি ইনিংথৌ খাগেম্বগী মতম কুমজা ১৬১৬ তদি মণিপুরদা ইন্দষ্ট্রি লাকএ হায়বসি মশানা তাকএ, চিনশিং, মুগলশিং খূৎশা হৈবগী থবক চেক শাবা, ধাতুগী পোৎশিং শাবগী মমি তারি। মসি চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্ননি। অদুনা খাগেম্বগী মমাঙদা ইন্দষ্ট্রিগী মমি লাক্ত্রিঙৈদদি শরিক লৈবা হায়বা অসি ওইথোকপা য়ারোইএ। অদুনা মসি খন্থনীংঙাই ওইরি। অদুনা মণিপুরগী চৈরাওবা অসি নুমিৎ থবান মশীং পাবগী চৎনবী লৈরবকান্দা য্যোটিসকী অমদি অঙ্কগী জ্ঞান লৈরবকান্দা পাঙথোকপা ওইগনি হায়না খল্লি।

এপ্রিল ১৩, ১৪ গী গৌড়গী চৈরাওবসি অকক্লবা ফুরুপ অমখক্কী নত্তে, গ্রহ, উপগ্রহ, নুমিৎ-থাগী খোঙচৎতা লৌরগা পাঙথোকপনি। ঐখোয় মণিপুরীশিংগী চহী হৌবগী চৈরাওবা অসিদা তোঙানবা মশক অমা উরিবসিদি থোইদোক্লা চাওথোকচনীংঙাইনি মদুদি চহী অমগী চৈরাওবা লাক্লে হায়দুনা য়ূম-কৈনচিংবা শেংদোক্কুনা অনৌবা মচু লৈতেংদুনা লুন-নান্না থম্বা অদুগা ময়ূম পানখ্রবী নিঙোলশিংনা মপামগী মপা-মতোন, মবুং-মৌপ্বানচিংবগী মফমদা ফি, খুদৈ, ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাওনচিংবা ঙমজবা খুদোল পীদুনা পুন্সিবা-নুংঙাইবা, য়াইফবা ওইরসনু হায়না য়াইফ-মঙ্গল পীবিরি। মসিনা মমা-মপা, মচিন-মনাও নুংশিনবগী চাউরবা মমি অমসু তারি। নুমিৎ অসিদা লাইদা লুকলেন অমদি অথুম-অহাও য়াওনা কৎতুনা চামিন্নগদবনে, লাইদা কৎতুনা চামিন্নবগী মহয়দি মচু মমেন ফৈএ, পুন্সি চাউথোকএ, কুম অদু চুপ্পা লাইনা চিঞ্জাক ৱাৎতনা কুবিএ, মপোক খুদিংসু লন-থুম অফবা ফংজৈএ, নুমিৎসিদা লাইদা কৎতুনা চাদ্রবদি মী অদু চিঞ্জাক্কী অৱাবা নংএ, মচু মমেন মকএ, লাইগী থৌজাল লৈতে, পুন্সি ময়েং তাইএ, নুমিৎ অসিদা ফি অহনবা হোঙগদবনি।

লাইদা বিষ্ণুদা, মহাদেবদা, লাইনিংথৌদা, লৈমরেলদা কৎপগী হৈকৎ-লৈকৎ অদুদি চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা অদুমক চপ মান্নে। অদুমক তৌবিয়ু। অদুগা অরিবা চহীনা লোইখিবা, অনৌবা চহীনা লাক্কদবসিদা, লায়না-তীলনা লৈতবা, তংদু লৈতাবা, ঈং-তপ্পা, শান্তি লৈবা ওইরসনু।